ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফম ১০দা লৈবা শোত্থরবা ইমুং ৫০০দা একটা পরিষদ মণিপুরনা পরিষদ অসিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপনা চত্থরকখিবা মাস দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ ফুদ আইটেমস টু দি নিদি পিপল ওফ মোইরাং কেন্দ্রগী অনীশুবা ফেজগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈকায় কয়ামরুমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১গী মনুং চনবা লমজাও অৱাং লৈকায় অমদি ময়াই লৈকায়গী ইমুং ২০০ রোমদা লমজাও অৱাং লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর অকোইজম গান্ধীনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা সী ঐচ সী হৈরোক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লদুনা এম এল এ রাধেশ্যামবু লান্না উহন্নবা হোৎনখিবগী মতাংদা শেংদোরক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌদুনা এক্সন লৌরগনি হায়না বি জে পি হৈরোক মন্দলগী থৌমীশিংনা ফোঙদোকখিবা

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা সী ঐচ নিংথেম অমদি কে মনিহার অনীনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। কাউন্সীল অসিগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শঙলেনদা ঙসি কাউন্সীলগী মরুওইবা মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবা অনীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনা হায়খিবদা শক্লাইরবশিং অসিনা লৈখিদবা অসিদা মতম পুম্বগী ওইনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা ওইহৌরগনি। পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা আর্টিষ্ট অমনা লৈখিদবা মতমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপগী থৌরম পাঙথোক্লম্বা অদু কোভিদ-১৯ লোইরবা মতুংদা পাঙথোক্লবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই ঈ য়ু সী ও)না সাউথ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস ঈ য়ু সী ও)গা খুৎশম্নরগা ওর্গনাইজেসন অসিদা য়াওরিবা য়ুথ ব্রাইটর ক্লব লংদুমনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ডোক্তরস ফোর য়ু টিম ৱিথ ইম্ফাল ইষ্ট সী এম ওগা পুল্লগা ঙসি লংদুম মনিং লৈকায়দা লৈবা ৱাই বি সী গ্রাউন্দদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না মীওই ১১৫দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না আই ঈ য়ু সী ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পুয়াম ইঙোচা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদকী মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা মীয়াম্বু পূক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

থৌপুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুয়িনন (এমসু) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা মীওই ১৭না শাবা এমসু য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী কুমজা ২০২১-২৩গী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে। এমসু য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌপুগদবশিংদি প্রসিদেন্ট ওইনা মুতুম ওনিন্দ্রো, সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা ঐচ নিরমালা, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা টি ঐচ সুরজিৎ অমসুং ঐচ আর দি সেক্রেটরি ঐচ বিক্রমজিৎনি হায়নসু এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মৈহৌবম নিরমালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং পীবা মতম খরা লেপখিগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): উরিপোক কাংচুপ রোদ পাকথোক চাউথোকপগী হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা থবক্লা মরম ওইরগা শিংদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টকী মখাদা পুরিবা পাইপ লাইনগী শরুক খরা লমশাং ওইল সর্ভিসকী মায়োক্লবদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তাওথোং খুলৈবম লৈকায়গী মপাদা অকায়-অতোয় থোক্লে। হায়রিবা পাইপ লাইন অসি শেমজিন-শাজিনবগী থবক চত্থরি। শেমজিন-শাজিনবগী থবক অসি ওগষ্ট ৬ ফাওবা চত্থখিগনি। মরম অসিনা পাইপ লাইন অসিগী খুথাংদা লাঙ্গোল রিজার্ভর জোন ৱান/টু/থ্রী, নাওরেমথোং, উরিপোক, ললাম্বুং, লম্ফেল অমদি থাংমৈবন্দনচিংবা মফমশিংদা ঈশিং পীরম্বা অদু হায়রিবা নুমীৎশিং অসিগী লেপখিগনি। শেমজিন-শাজিনবগী থবক হেক লোইবগা মহৌশগুম ঈশিং থাবা হৌগনি হায়না পি ঐচ ঈ দিগী ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র কে এস ঐচ তোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শিল্লোংদা লৈবা মণিপুর হাউস অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মাঙখ্রগনি : এস এম এস য়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা শিল্লোংদা লৈবা মণিপুর হাউস (রাজবারি) অসি অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মাঙখ্রগনি হায়না শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এস এম এস য়ু)গী প্রসিদেন্ট চোংথাম থোঙম্বা মীতৈনা ফোঙদোরক্লি।

চোংথাম থোঙম্বা মীতৈনা মখা তানা হায়খি, শিল্লোংদা লৈরিবা অতৈ ষ্টেটশিংগী হায়বদি অসাম হাউস, নাগালেন্দ হাউস, ত্রিপুরা হাউসশিংদি নীংথিজনা মেন্টেন তৌদুনা থল্লি। অদুবু মণিপুর হাউস (রাজবারি)গী ফীভম অসিদি য়াম্না শোকচিল্লে। মসিগী মতাংদা শিল্লোং মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নননা হান্নসু মণিপুর লৈঙাক্তা পোইন্ট তরেৎ য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনদি তৌবীরক্ত্রি। মণিপুর হাউস (রাজবারি)গী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদ্রবদি মাঙলগনি। মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফম অসি অথুবদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী। মফম অসি হিষ্টোরিকেল ম্যুজিয়ম অমা ওইনা থম্বীবা, নীংথিনা শেমগৎ-শাগৎপীবা অমদি টুরিষ্ট স্পোটনচিংবা ওইননবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মতেং য়াওদ্রবদি ঙম্লোই। অমরোমদা, হৌজিক হৌজিক মালেমগী তমথিরবা লায়না-লাইচৎকী মতম অসিদা মণিপুরীশিংদা এস এম এস য়ুনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইবুধৌ পাখংবা শঙলেন লাইতুমখ্রহ শিল্লোংগী এক্স-জেনরেল সেক্রেটরি অথৌবা কোইজমনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা শিল্লোংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী খনবীদুনা মণিপুর হাউস অসিবু শেমগৎ-শাগৎপীয়ু। শিল্লোংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা করিগুম্বা থৌরম অমা হায়বদি নিংঙোল চাক্কৌবা, ওগষ্ট ১৩গী অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরমশিং পাঙথোক্কে হায়বদা মণিপুরীশিংগীনি হায়না লৈরিবা মণিপুর হাউস অসি ফজনা থম্বীদবনা মরম ওইরগা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্কে। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মণিপুর হাউস অসি নীংথিজনা থম্বীয়ু। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ওইনা অসাম ভবন, নাগালেন্দ ভবননচিংবদি মখোয় মশা-মশাগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা শীজিন্নে। অদুবু শিল্লোংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগীদি মণিপুর হাউস অসি নীংথিজনা শেমজিনবীদবনা শেল পীরগা ৱাইদুনা শীজিন্নরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

এমসুনা শেংদোরক্ত্রবদি লোগী ওইবা এক্সন লৌরগনি : বি জে পি হৈরোক মন্দল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী) হৈরোক্কী মতাংদা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ময়াম অমা মীদিয়াদা থল্লকপা অমদি এ সী অসিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যামবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা লাইবক থীবনি হায়রদুনা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অথুবা মতমদা শেংদোরক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌদুনা এক্সন লৌরগনি হায়না বি জে পি হৈরোক মন্দলগী স্পোক্সপর্সন ফুরিৎশাবম দিনেশোরনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি বি জে পি হৈরোক মন্দলগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দিনেশোরনা মখা তানা হায়, সী ঐচ সীগী বিল্ডিং অসি এন আর ঐচ এম (নেসনল রুরেল হেল্থ মিসন)গী মখাদা হৌখিবা চহী ২০০৯-১০দগী লুপা ক্রোর ২.৫৪গী ইষ্টিমেটতা এম দি এসনা শাবা হৌখিবনি। অদুবু বিল্ডিং অসি লোইশিনবা নাইদনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদনা শাদুনা শীজিন্নবা য়াদনা নোংখাং চল্লগা লৈবদগী মীয়াম্না অশাওবগা লোয়ননা থুগায়খিবনি। অদুবু এমসুনা হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মথক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা মরাল কয়া শিরকপা অসি লাইবক য়াম্না থীবনি। এমসুগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুবুদি থাগৎলি। অদুবু পোলিটিকেলগী ওইবা অখুবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা "এম এল এ রাধেশ্যামনা সী ঐচ সী হৈরোককী বিল্ডিং থুগায়খি" হায়বনচিংবা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা এম এল এগী মিংচৎ থিনবা অতম্না হোৎনরকপগী থৌওং অদুবুদি বি জে পি হৈরোক মন্দলনা হকচিন্না লৌই। বিল্ডিং অদু ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদবগী মীয়াম্না হৌনরুবা নাইদনা থুগায়বনি হায়বসি এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা খঙগদবনি হায়খি।

হৈরোক্তা হান্নদগী লৈরক্লবা হৌজিকসু লৈরিবা সী ঐচ সীগী বিল্ডিং অসিবু টেম্পররি বিল্ডিংনি হায়না এমসুনা হায়রকপা লাইবক থীবনি। মসিবু করম্বা গ্রাউন্দদা টেম্পররি বিল্ডিংনি হায়রিবনো হায়না হংলদুনা সী ঐচ সী অসিগী ডোক্তর, নর্স অমদি কোভিদনা মরম ওইরগা ভেক্সিনেসনগীদমক সী এম ওনা থাবা মফমদা চৎনখিবনা ষ্টাফশিংগী অৱাৎপা খরদি অদুম্মক লৈফম থোক্লবা ৱাফমনি। মরম অদুনা এমসুনা অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা শেংদোক্লদবনি হায়রদুনা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিনবগী মহুৎতা হৌজিক হৌজিক ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংনা মিং চনবগী কোয়চেন চেন্নরিবা অসিদা মহৈরোয় লূপ অমা ওইনা মায় ওনশিলহন্নিংই হায়খি।

ইমুং কয়া অমা চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি : লূপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মণিপুরদা য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা মওং অমা নৎত্রগা অমদা লোকদাউন/কর্ফিয়ু তৌশিনখিবনা শুরগা নোম্লগা চাজবা ইমুং কয়া অমা উদ-খঙদনা চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপ (কে ঈ এম কে এ এল)গী সেক্রেটরি হেমাম সোমিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মোইরাং এ সীদসু অসিগুম্বা অৱাবা মায়োক্লবা ইমুং কয়া লৈরি হায়বসি কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপনা খঙজবগা লোয়ননা হৌখিবা জুলাই থাদগী চত্থবা হৌরকখিবা মাস দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ ফুদ আইটেমস টু দি নিদি পিপল ওফ মোইরাং কেন্দ্রগী অনীশুবা ফেজ ঙসি হৌখ্রে। অনীশুবা ফেজ অসিদা মোইরাংগী ফাইরেম্বম লৈকায়, মোইরাং কোলেজ গেট, থানা লৈকায়, কোঞ্জেংবম লৈকায়, কিয়াম লৈকায়, সেন্দ্রা রোদ, ওকসোংবুং লাইরেঞ্জম, তুরেলবন লৈকায়, কুমাম লৈকায়, হেমাম লৈকায়, খোইরু লৈকায়, ফিৱাংবম লৈকায়গী কা হেন্না অৱাবা নংলবা ইমুং ৫৩০ খনগৎচদুনা চেঙ কে জি ১০/১০গা লোয়ননা মখল কয়াগী এন্সাং নাপী অমদি চান-থক্লবশিং খুৎশিন্নখি। ঙসি পাঙথোকচখিবা অনীশুবা ফেজ অসিগী কেম্প্যেন অসিদা শেলগী নৎত্রগা পোৎলম ওইনা মতেং পাংবীরকখিবা পুম্নমকপু কে ঈ এম কে এ এলনা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎচরি। কেম্প্যেন অসি পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমত্তগা মরী লৈনজদে অমসুং ঙল্লিবমখৈ মখা চত্থজখিগনি। মরম অসিনা অঙম্বা মতেং পাংবীনিংবা খূদিংমক্লা লৌথুপ লৌকোয় লৈতনা মখা তানা মতেং পীবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সেল্লিং লৌবীরগা এদমিসন তৌবীয়ু : বি এম এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী বেঙ্গলোরদা চৎলিবা কুমজা ২০২১ অসিদা নৌনা মহৈ-মশিন তমগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা মহৈ তম্বদা প্রোব্লেম লৈরোইদবা কোলেজশিং বেঙ্গলোর মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (বি এম এস এ)দগী সজেসন অমদি এদমিসন কাউন্সেল্লিং লৌবীরগা এদমিসন তৌবীয়ু হায়না বি এম এস এগী প্রসিদেন্ট রোনেল শৌগ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা বেঙ্গলোরদা মহৈ-মশিন তমগনি হায়দুনা চঙলকখিবা অমদি শাশিন্নবা কোলেজশিংগী এজেন্টশিংনা বেঙ্গলোরদা এদমিসন তৌবীগনি হায়দুনা পুশিনবীরক্লগা এদমিসন থিবীরমদনা লোৎখিবদগী মহৈরোয়শিং এগজাম থাবা য়ারকখিদবা, মফম চাদবা, পরম চুমদবা, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা কোলেজশিংদা এদমিসন তৌরক্লগা হন্না ফাওবা য়েংশিনবীদবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা কমপ্লেন্ট কয়া লাক্লে। হৌখিবা কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌশিনখিবদগী মণিপুরী মহৈরোয়শিংদা অৱাবা য়াম্না নংখিবা, মফম চাদবা, পরম চুমদনা লৈরম্বা, অথাপ্পা কোলেজশিংদগী মতেং নীররকখিবা অমদি বি এম এস এনা মতেং তৌবদা য়াম্না মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈখিবনা অৱাবা মায়োক্লখিবশিংসু য়াওখি।

থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা বেঙ্গলোরদা তুংদা লাক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্লক্তনবা বি এম এস এনা থৌদাং লৌবা অমদি মতেং পাংবদা হেন্না খুদোং চাননবা বি এম এস এদা রেজিষ্টর তৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ফমুং ১৯২৮ হাঙদুনা লৈরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অনাবশিং লৈননবা হাঙদোক্লিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুন্না ফমুং ৩৫৪৭ লৈবগী মনুংদা ফমুং ১৬১৯না ওক্যুপ্পাইদ তৌরগা ফমুং ১৯২৮না হাঙলি হায়রি।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)না ঙসি নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা রিপোর্ট অমনা তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ফমুং ১৯২৮ হাঙলি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা বাল ভবন, এন এস য়ু, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ অমসুং আয়ুশ হোস্পিটালদা হাঙলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুন্না ফমুং ৬০৫ লৈবগী মনুংদা ফমুং ৪৭৫না ওক্যুপ্পাইদ তৌরগা ফমুং ১৩০ হাঙলি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এল কে কে, আর দি ৱিং, এম য়ু অমদি এন আই টিদা হাঙলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুন্না ফমুং ১২১৪ লৈবগী মনুংদা ফমুং ৬৮৩না ওক্যুপ্পাইদ তৌরগা ফমুং ৫৩১ হাঙলি।

অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী ওইনা থৌবালদা পুন্না ফমুং ৩০০ লৈবদা ২০২, বিষ্ণুপুরদা ফমুং ১০০ লৈবদা ফমুং ৬১, ককচিংদা ফমুং ৭৬ লৈবদা ফমুং ৪৫, চুড়াচান্দপুরদা ফমুং ২১০ লৈবদা ফমুং ৯৫, ফেরজোলদা ফমুং ৪৩ লৈবদা ফমুং ২৫, সেনাপতিদা ফমুং ২০০ লৈবদা ফমুং ২০০ মক, তেংনৌপলদা ফমুং ২০ লৈবদা ফমুং ১৩, জিরিবামদা ফমুং ৫৩ লৈবদা ফমুং ৫৩ মক, নোনেদা ফমুং ৪০ লৈবদা ফমুং ৩২, কাংপোকপীদা ফমুং ৭২ লৈবদা ফমুং ৫১, তমেংলোংদা ফমুং ২৬০ লৈবদা ফমুং ২৩৬, চান্দেলদা ফমুং ৭০ লৈবদা ফমুং ২৪, উখ্রুলদা ফমুং ১০০ লৈবদা ফমুং ৬০ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফমুং ১৮৪ লৈবগী মনুংদা ফমুং ১৭০ হাঙলি। মীয়ামগী দিমান্দগী মতুংইন্না কোভিদ ক্যের সেন্টর খরদা হান্না লৈবা ফমুং মশীংদগী হেনগৎহনখ্রে। অদুগা কোভিদ ক্যের সেন্টর খরদনা মেন্টেনেন্সকী ইস্যুশিং অমদি সী সী সীদগী আইসোলেসন বেদ ওইনা অপগ্রেদেসন তৌবনা মরম ওইরগা ফমুং মশীং হান্না লৈরম্বদগী হন্থরে হায়রি।

অমরোমদা, আই দি এস পিদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা সেম্পল ১১,১২,৮৫৭ টেষ্ট তৌবদা পুন্না সেম্পল ১,০২,১৪৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে হায়রি।

ইমুং ২০০ রোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): লমজাও অৱাং লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর অকোইজম গান্ধীনা ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১গী মনুং চন্না লমজাও অৱাং লৈকায় অমদি ময়াই লৈকায়গী ইমুং ২০০ রোমদা নোংমগী মথৌ তাবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

চেঙ, আলু, থাউ, কোবী, তিলহৌ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া মতেং পাংবা অদুগা মরী লৈননা অকোইজম গান্ধীনা, কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ু অসিনা মরম ওইরগা লমজাওগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিগী য়েংলগা ঙসি মহাক্লা অহানবা তাঙ্কক্কী মতেং অসি পাংবনি। লোয়ননা মতেং অসি মখা তানসু মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা পাংগনি। মরম অসিনা কর্ফিয়ু মনুংদা মীয়াম্না মরম চাদনা য়ুমদগী মপান থোকপীগনু অমদি লমজাও গ্রাম পঞ্চায়ট অসি হিয়াংলম কন্সটিট্যুএন্সি মনুংদা কোভিদকী ফুল ভেক্সিনেসন তৌবা অহানবা জি পি ওইহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা কোভিদ ফ্রী ওইবা মফম অমা ওইহনসি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা মতম মতমগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা আপীল তৌখি।

পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা শীন্দুনা মাওদা কোভিদ-১৯গী পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, পোষ্টর কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, ঙসি মাওদা অখন্ননা পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকপগী মরমদি মফম অসি মণিপুরগী ৱাংমদা চৎখিনবা অমদি মণিপুরদা চঙলকপদা অহানবা থেংনফম অমা ওইবগীনি। মীয়াম্না পোষ্টরশিং অসি উরগা, পারগা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং নীংশিংহনবগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী ৱাখল্লোন ফাওহনবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

একটা পরিষদ মণিপুরনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শেল-থুমগী ফীভম শোত্থনা লৈরিবা ইমুং ৫০০দা একটা পরিষদ মণিপুর অমদি পরিষদ অসিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়না একটা পরিষদ মণিপুরগী ষ্টেট কনভিনর অরিবম রিশিকান্ত শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু একটা পরিষদ মণিপুরগী ষ্টেট কনভিনর অরিবম রিশিকান্ত শর্ম্মা, ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর নিংথৌজম বিদ্যারানি (বালা) অমসুং একটা পরিষদ মণিপুরগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ সিনাম তানিয়া চনুনা লুচিংবা টিম অমনা য়েন্থোকখিবনি। য়েন্থোকখিবা অদুদা একটা পরিষদকা পুন্না চৎমিন্নরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং হায়বদি ওল মণিপুর মেন পৱার অপলিফ্টমেন্ট সেন্টরগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিয়ু দিনেশ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন রমানন্দ, বাল বিদ্যা মন্দির এল্যুমনাই মণিপুরগী সেক্রেটরি খনাম চাওবা, নেসনল য়ুথ প্রোজেক্ট মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল অমদি সিক্ষা বিকাস সমিতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম খোগেন, ডা. বিনোদকুমার মেমোরিএল ট্রষ্টকী সেক্রেটরি গুরুময়ুম নিশিকান্ত শর্ম্মা অমসুং সোসল অপলিফ্টমেন্ট এসোসিএসনগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু তাইরেনপোকপীগী ইমুং ৬০, লাইরেনকবীগী ইমুং ২১, লল্লোংগৈগী ইমুং ৪৪, কৌত্রুককী ইমুং ৬০, খুরখুলগী ইমুং ১০০, কান্তো অচৌবগী ইমুং ৩০, কৈঙমগী ইমুং ৪০, সেকমাইগী ইমুং ৬০, শান্তিপুর (অৱাং লৈকিন্থবী)গী ইমুং ৬৩ অমসুং ফয়েংগী ইমুং ৬২দা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে, লান্না পাউথোকপীগনু : টাস্ক ফোর্স

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লিশাং শিংনা চত্থরকপা ফ্রী মাস টেষ্টিং অমদি মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা লমদিং খুমন্থেম লৈকায় টাস্ক ফোর্সনা সঙ্গাইয়ুম্ফম গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর খুমন্থেম দেবলা লৈমগা পুন্না খুৎশম্নদুনা প্রাইমারী স্কুল, লমদিং খুমন্থেম লৈকায়দা ঙরাং মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ লমদিং খুমন্থেম লৈকায় টাস্ক ফোর্সকী চ্যেরমেন ঐচ অমরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদিং খুমন্থেম লৈকায় প্রাইমারী স্কুলদা পাঙথোকখিবা মাস টেষ্টিং অদুদা পুন্না মীওই ১১৩ টেষ্ট তৌবদা নুপা ১৭, নুপী ১৩ অমদি অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ৩৫ কোভিদ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মাস টেষ্টিং অসি পাঙথোকপদা মতেং পাংবীরকখিবা খাঙবোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারবু টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী অপেনবা ফোঙদোকচরি।

টাস্ক ফোর্স অমদি ৱার্দ মেম্বর অনীনা শীন্দুনা লমদিং খুমন্থেম লৈকায়গী প্রাইমারী স্কুলদা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং অসিবু লেৱা লমদিংনা পাঙথোকপনি হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্টনা প্রেস নোট অমা থোক্লক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। লেৱানা মাস টেষ্টিং তৌরিবা মফমদা মীয়ামগীদমক সেনিটাইজর অমদি মাস্ক মতেং পাংবীরম্বা অদুগীদমক্তদি টাস্ক ফোর্সনা ঈকায় খুম্নজে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী চমম্নবা কোকহনবীয়ু : বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওগষ্ট ৩গী চেফোঙ অমদা সোসল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবা এম ঐচ আর সীগী হান্নগী মেম্বর ওইরম্বা মীওই অমনা ইদুনা ফোঙলকখিবা কলম অমদা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন অসি লুপা ক্রোর ৩ লৌরগা বি জে পিদগী কোংগ্রেসতা য়াওখিবনি হায়রকখিবা অমদি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকা মরী লৈননা শীজিন্নবা থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৩০ কায়থোকখিবা অসি কন্দায়দা শীজিন্নখ্রবগে হায়বদু থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এনা শেংদোকপীদুনা মীয়ামগী চমম্নবা কোকহনবীয়ু হায়না বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা হায়খি, এ সী অসিগী এম এল এনা বি জে পিদগী কোংগ্রেসতা য়াওখিবদা শেল লৌখি হায়রিবসিনা অশেংবা অচুম্বা ওইরবদি থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা লাইবক থীবা ওইগদৌরিবনি। মরকসিদা থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা মীওই কয়া কোভিদ লায়না-লাইচৎকী অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরি। থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা কোভিদ থেংননবা হোৎনবদা শীজিন্নবা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী লুপা লাখ ৩০ কায়থোকখিবগী রেকোর্দতি লৈ। অদুবু শেনফম অসি কদায়দা শীজিন্নখ্রবগে হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু। মীয়ামদা লৈরিবা চমম্নবশিং অমদি এম এল এ অমদি মরী লৈনবশিংনা কোকহনবীয়ু হায়খি।

হৈস্নাম সুভাসপু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): খুরাই এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দগী হৈস্নাম সুভাসপু বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপদা ইলেক্সন কম্মিটি ফোর ঐচ সুভাসনা হরাও তরাম্না ওকখ্রে হায়না ইলেক্সন কম্মিটি ফোর ঐচ সুভাসকী প্রসিদেন্ট আই সিংহজিৎকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা পূক্লিংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সুভাসনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফননবা অমদি পার্টিগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পাঙথোক্লনবা হোৎনবদা বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট অমদি মন্দলশিংগী প্রসিদেন্টশিংগা খুৎশম্নদুনা অঙম্বা থৌনা লৌশিং পুম্বা পুথোক্তুনা হোৎনজগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোভিদনা মরম ওইদুনা শান্নফম লৈত্রিবশিং লৈঙাক্লা য়েংশিনহন্নিংই : সুর্য্যকুমার ওক্রম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): মালেমগী থাক্তা শান্নদুনা নোংমদি ইরমদমগী মিংচৎ পুরক্কদৌরিবা শান্নরোয় কয়া অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শান্নফম ফৱক তাদুনা লৈরিবা ময়াম অসিবু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না খাঙবোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমনা ফোঙদোরক্লি।

বোক্সিং মশান্নদা মালেমগী থাক্তা সনাগী মেদল কয়ামরুম লৌরকখ্রবী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সমরাম মমাঙ লৈকায়দগী নাওরেম রোবিন্দ্রো অমদি নাওরেম ওংবী সনাজাওবী অনীগী মচানুপী এন বেবি রোজিসনা চনুগী শান্নফম অমা খন্দোক্তুনা শেম্বীনবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগা মরী লৈননা এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারনা মখা তানা হায়, ওলিম্পিক গেমসসু লোইশিল্লক্লবনিনা মথংগী ওলিম্পিক গেমসকীদমক ট্রেনিং তৌগে হায়রগদি হৌজিক্তগী হৌনা মথৌনা লৈবা শান্নরোয়শিং খনগৎপীদুনা ট্রেনিং তৌহনবীবা মতম চারবনি হায়রদুনা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক লৈবনিনা য়ুম-য়ুমদগী থোক্তনা ট্রেনিং তৌনবগীদমক খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মথৌনা লৈবা শান্নরোয়শিং অসি য়েংশিনবীবা মথৌ তারে হায়খি।

ইচল বেবি রোজিসনা অসি মেরি কোম একাদেমীদা ট্রেনিং তৌরক্তুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা বোক্সিং মশান্নদা জুনিয়র লেভেলদা সনাগী মেদল কয়ামরুম লৌরকখ্রে। অদুবু কোভিদ-১৯গী মীপায়নবা মতম অসিদা য়ুমগী নক্লবা খন্দোক্লগা ট্রেনিং তৌফম ওইগে হায়বদগী মতেং খরা অসি তৌজবনি হায়রদুনা ইমুংগী মীশিংনসু পোৎ খরদি লৈরে। এম এল এগী মায়কৈদগীসু মখা তানা অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবা ঙম্নবা হোৎনগে হায়রদুনা লৈকায়, ক্লবশিংনসু ইচল অসিগী মতেং তৌবীয়ু অমদি ওলিমিম্পক গেমস ফাওবা চৎপা ঙম্নবা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা হোৎনমিন্নসি হায়না এম এল এ সুর্য্যকুমারনা হায়খি।

স্কোলারশিপকী শেনফম পীথোকপীয়ু : ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচ এন এস): মহৈরোয়শিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা স্কোলারশিপকী শেনফম অথুবা মতমগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীথোকপীয়ু হায়না খা মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা নোংমগী চরা ফাওবা ৱানা থোক্লবা মতমনি। কর্ফিয়ুনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা মতম অসিদা এম য়ুগী মখাদা লৈরিবা কোলেজশিংগী ফোর্ম ফিলঅপ তৌননবা নোটিশ থোক্লক্লে। মসিগী মথক্তা সেসন ২০২০-২১গী মহৈরোয়শিংগী য়াইফননবা পীরিবা স্কোলারশিপকী শেনফমশিং পীথোক্তবনা মরম ওইদুনা ফোর্ম ফিলঅপকী শেনফম অসি পুথোক্লনবা হোৎনবদা নোংমগী চরা তান্দুনা চারিবা ইমুংদা য়াম্না ৱানা থোক্লে। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংগী স্কোলারশিপ পীথোক্লনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। এগজামিনেসন ফোর্ম ফিলঅপ তৌবগী ফিস অমসুং হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং অসিগী য়েংলগা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।